মীফম য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ : ফোর্মর চীফ মিনিষ্টর অমসুং পার্লিয়ামেন্টেরিয়ন অমদি এম পি সী সীগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট রিশাং কৈশিংনা লৈখিদববু ঈকায় খুম্নবা উত্তুনা এম পি সী সীগী থৌমীশিং, সী এল পি মেম্বরশিং, এম পিশিং, পি সী সীগী মেম্বরশিং, এক্স-আই এন সী কেন্দিদেটশিং, ফ্রন্টেল অমদি সেলগী লূচিংবশিং, বি সী সীশিং, দি সী সীশিংগী প্রসিদেন্টশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্কনি হায়না লেপখিবা অদু থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না এম পি সী সীগী সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন এস জিতেননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ওরেন্টেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ : ষ্টেট কম্মিসন ফোর পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ওরেন্টেসন প্রোগ্রাম ওন দি এম্পাৱরমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটি ফোর অশা ৱার্কর থা অসিগী ২৬তা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোক্কনি হায়রি। প্রোগ্রাম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি দি রাইটস ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটি এক্ট, ২০১৬ চহী অসিগী এপ্রিল ১৯দগী লৈবাক শীনবা থুংনা চৎনবা হৌখ্রবা মতুংদা এক্ট অসিদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা প্রোভিজনশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা দিসএবিলিটি ওইরবা মীওইশিংবু খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা ৱাল্লিংঙৈদগী শকখঙনবা দিসএবিলিটি সার্টিফিকেট ফংবদা খুদোংচানবা ৱারোল কয়াসু খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

নুপীগী পূন্সি ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ : য়ং ৱিমন হেল্প ওর্গনাইজেসন্না পুথোকপা থাগী চেফোঙ *নুপীগী পূন্সি* গী সেপ্টেম্বর থাগী চেফোঙ ঙসি নুংথিল পেলেস গেট ইম্ফালদা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱিমন পুলিস ষ্টেসনগী ও সী গুরুময়ুম গীতাঞ্জলিনা ফোঙখ্রে। চেফোঙ অদু ফোঙবগা মরী লৈননা পল্লিসর টি ঐচ শান্তিনা হায়খি, থা অসিগী ২৩দা ওর্গনাইজেসন অসিনা রেষ্টুরেন্ট অমসুং হোটেলশিংদা ড্রাইভ চথবদা য়ুম্বাল্লবা নুপা-নুপী লৈবা ঙাক্তা লৈমিন্নরম্বা অদুগা লৈকায় লৈকায়দা রেষ্টুরেন্ট অমদি ফাষ্ট ফুদতনা চহী নৌরিবা-নৌরিবী কয়া থেংনরকখি। হফিজ হট্টাদা লৈবা ওরেন্টেল হোটেলদা য়ুম্বাল্লবা মচা লৈরবা অমসুং লৈরবীশিং লৈমিন্নরমখি অমদি মখোয়বু ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসতা পুখত্তুনা ৱাখল তামিন্নখি অমদি খরনা নাম্থোক্তুনা চেনখি। খুন্নাই অমা ফনবা শেল্লবসু নুপা-নুপীগী অমোৎপা লীচৎ চৎলবদি পূম্নমক লৈখা তারক্কনি। গভর্ণমেন্টনা অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না ফোঙদোক্লখি।

য়াইফ থৌনি থৌরম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ : দি ভী এস ফিল্ম প্রদক্সনগী ৩শুবা খুদোল ওইনা পুথোক্কদৌরিবা *থোক-মোক* কৌবা ফিচর ফিল্ম অসিগী য়াইফ থৌনি থৌরম ঙসি ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর এ বিনোদকী সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরনা বিমোল ফিবৌনি। মরুওইবা শক্তম লাংগদবশিংদি বোনি, রতন লাই, সমম, সোনিয়া, কুমারজিৎ, ইধৌ, থোইথোই অমসুং ধনমঞ্জুরিনচিংবনি। ফিল্ম অসিগী ষ্টৌরি অমসুং স্ক্রিন প্লেনা এ দেবেননি হায়রি।

ফাউন্দেসন দে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ : মঙাল লৈমা নুপী লূপ চীংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকায়গী অনীশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙরাং অয়ুক পুং ১০ তাবদা পাঙথোকখ্রে হায়রি। থৌরম অসিদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট সলাম স্নেহ প্রভানা ৱার্দ নম্বর-১৬কী কাউন্সীলর টি ঐচ ইলিজা অমসুং সনুলালগী এদভাইজর টি ঐচ ইবেথোই অমসুং সেক্রেটরি অকোইজম শান্তিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি হায়রি।

সংমা মীখল থেংনরোই

শিলোং, ওগষ্ট ২৪ : নেসনল পিপলস পার্টিগী প্রসিদেন্ট কোনরাক কে সংমা ষ্টেট পোলিটিক্সতা হল্লক্তুনা মীখল থেংনরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে। তুরাগী এম পি অমা ওইরিবা কোনরাক সংমানা ফোঙ-দোকখিবদা, কুমজা ২০১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা মহাক মীখল থেংনরোই অমসুং ষ্টেট পোলিটিক্সতা হল্লক্লোই। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না মহাকপু এম পি অমা ওইনা খল্লবনিনা মীয়ামগী থৌদাং অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা পামই। প্রিপোল এলাইয়েন্স লৈগদ্রা হায়না হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা সংমানা হায়খি, মীখল মমাঙদা প্রিপোল এলাইয়েন্স লৈনবগীদমক্তা পার্টি কয়াগী মরক্তা হান্না ৱাখল তামিন্নবা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি।

এক্স-চীফ মিনিষ্টর অমসুং ফোর্মর এম পি রিশাং কৈশিংনা লৈখিদববদা অৱাবা ফোঙদোক্নরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস) :

এক্স-চীফ মিনিষ্টর অমসুং ফোর্মর মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট রিশাং কৈশিংনা লৈখিবদা পোলিটিকেল পার্টি অমদি তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্ট টি এন হাওকিপনা ভেটরান পোলিটিসিয়ন অমসুং শক্লাইরবা কোংগ্রেস লূচিংবা রিশাং কৈশিং, ফোর্মর চীফ মিনিষ্টর, পার্লিয়ামেন্টেরিয়ন অমসুং ফোমর প্রসিদেন্ট এম পি সী সীনা থা অসিগী ২২গী নুমিদাং পুং ৮.১৫ রোম তাবদা লৈখিদবা অসি মণিপুরগী মীয়ামগী অচৌবা মাঙজবা অমনি।

রিশাং কৈশিং কুমজা ১৯৫২দগী ১৯৫৭ ফাওবা অহানবা লোক সভাগী মেম্বর ওইরমই। কুমজা ১৯৫৭-৬১ অমসুং কুমজা ১৯৬৭-৭১ ফাওবা মণিপুর টেরিটোরিএল কাউন্সীলগী মেম্বর ওইরমই। অহুমশুবা লোক সভাগী মেম্বর কুমজা ১৯৬২-৬৭ ফাওবা ওইরমই। কুমজা ১৯৯১-৯২ ফাওবা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইরমই। ৪৩-ফুংয়ার (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ ওইনা তরেৎলক মীখলদা মায় পাকখি। কুমজা ১৯৮০-৮৫, ১৯৮৫-৮৮, ১৯৯৪-৯৫ অমসুং ১৯৯৫-৯৭ ফাওবা চীফ মিনিষ্টর ওইরমই। কুমজা ২০০২-২০০৮ অমসুং কুমজা ২০০৮-২০১৪ ফাওবা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরমই।

রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিঙৈদা কম্মন ৱেল্থ লৈবাকশিংগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা পার্লিয়ামেন্টেরিয়ন অমা ওইখি। মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাং অমসুং য়াইফনবগীদমক্তা হনবা লৈতনা হোৎনখিববু ষ্টেট অসিগী কাঙলূপ খূদিংমক্না নীংশিংদুনা লৈরগনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি মরুওইনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অমদি কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা মাঙজবনি। মহাক্না লৈখিদবদা ইমুং-মনুংনা নংহৌরবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী মিদিয়া কোওর্দিনেটর ইবোমচা সোরোকখায়বমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অহানবা লোক সভাগী মেম্বর ওইরম্বা মণিপুরগী লিশাং শীৎনা চহী ১১ চীফ মিনিষ্টর ওইরল্লা লূচিংবা অসিনা পূন্নমকপু থাদোক্লল্লগা তাইবঙ মপুগী নাক্তা চঙজখিবদা এম পি পিগী প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা অৱাবা ফোঙদোক্লি।

লূচিংবা রিশাং কৈশিংনা হিংলিঙৈ মতমদা তৌরম্বা থবক থৌরমশিং ঙসিগী মীয়াম অমসুং তুংগী মীয়াম্না মণিপুরগী পুৱারীগী লামায়দা খন্ন-নৈনবদা লূচিংবা অসিবুসু লেংদনা লৈহৌরগনি। মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী মীয়ামগীদমক্তা অনৌবা মায়ওন তাকপীরম্বা রিশাং কৈশিংনা তাইবঙ শিন্থা লোইরদুনা তাইবঙ মপুগী খুয়াদা ঈং-চীক্লা লৈরসনু অমসুং লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ), জেলিয়াংরোং ৱিমন য়ুনিয়ন, মণিপুর কবুই মাদর্স এসোসিএসন মণিপুর অমসুং জেলিয়াংরোং কলচরেল কাউন্সীলনা থা অসিগী ২২দা রিমস হোস্পিটালদা রিশাং কৈশিংনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি অজাং রোংমৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, রিশাং কৈশিং খ্বাইদগী শাংনা পোলিটিকেলগী লমদা থবক তৌরম্বা অমসুং ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী হেন্না মীয়াম্না শকখঙনখিবা পার্লিয়ামেন্টরিয়ন অমনি। মণিপুরগী খ্বাইদগী হেন্না থৌদাং লৌখিবা চীফ মিনিষ্টর অমনি। মহাকপু রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন অমদি ভাইস চ্যেরমেননা তরাম্না ওকখি অমসুং কুমজা ২০০২দা ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী গোল্ডন জুবিলিগী থৌরম পাঙথোকপদা অমসুং কুমজা ২০১২গী মে ১৩দা ইন্দিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী ৬০শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকপদা মহাকপু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখি।

কুমজা ১৯৮০দগী ১৯৮৮ অমসুং কুমজা ১৯৯৪দগী ১৯৯৮ ফাওবদা মরিরক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌদাং লৌখি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরগী মীতৈ পাঙল মরক্তা কাঙলূপকী ওইবা থৌদোক কুমজা ১৯৮০দা থোকখিবা, নাগা-কুকিগী ৱাথোক কুমজা ১৯৯৪ অমসুং কুমজা ১৯৯৭তা থোকখিবা কুকি-পাইতেগী উংখৎনবদু লো এন্দ ওর্দরগী মতেং লৌদুনা শংদাইনবা ঙমখ্রে।

রিশাং কৈশিং গান্ধীনা চঙশিল্লম্বা ঈং-তপ্পা অমসুং হাৎনা শুনবা য়াওদবা খোঙজংদা তশেংনা থাজবা মীওই অমনি। মণিপুরদা ফুরুপ কয়া পুন্না লৈমিন্ননবা অমসুং ঈং-তপ্পা অমত্তা ওইনা ফুরুপ খূদিংমক্না হিংমিন্ননবা হোৎনবদা মহাক্কী পূন্সি কথোকখি। ভেটরান পোলিটিসিয়ন রিশাং কৈশিং লৈখিদ্রে অদুবু মহাক্না কথোকপগা লোয়নননা খঞ্জরম্বা ৱাখল্লোন অদু মহাক্কী পোলিটিকেল পার্টি অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্না নীংশিংদুনা লৈরগনি। জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন, জেলিয়াংরোং লূচিংবশিং, চর্চগী লূচিংবশিং, নুপী লূচিংবশিং, নহা অমসুং মহৈরোয়শিংগী লূচিংবশিংনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা জেলিয়াংরোং লূচিংবা অসিগীদমক্তা অৱাবা ফোঙদোরক্লি অমসুং লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈং-চীক্লা লৈরুনবা থৌনিখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ডা. রাম মনোহর লোহিয়া মেমোরিএল ট্রষ্ট মণিপুরনসু ঙসি নুংথিল মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ফোর্মর চ্যেরমেন সোসলিষ্ট পার্টি মণিপুরবু ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

মীফম অদুদা ৱাই থম্বাল এক্স-এম এল এ অমসুং ফোর্মর চ্যেরমেন সোসলিষ্ট পার্টি মণিপুরনা প্রিসাইদ তৌখি। খুরাই লম্লোং কৈথেলদা লৈবা ট্রষ্ট অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ট্রষ্ট অসিগী পেট্রোনসু ওইরিবা ফোমর চীফ মিনিষ্টর অমসুং এম পি অসিনা থা অসিগী ২২গী নুমিদাং পুং ৮.১৫ রোম তাদবা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

রিশাং কৈশিংনা ডা. লোহিয়াদগী তম্লকপা পোলিটিকেলগী ওইবা পড়া কয়া অদু কৈদৌঙৈদা কাউথোকখিদে হায়না ট্রষ্ট অসিগী সেক্রেটরি ৱাই বুপেনচন্দ্র ঘোসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ট্রষ্ট অসিনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা-চীক্লা লৈরুনবা থৌনিখি হায়রি।

মরিং নাগা কলচরেল এসোসিএসন লাইফরোক থোঙাইফমনসু মমাঙগী চীফ মিনিষ্টর রিশাং কৈশিংনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা-চীক্লা পোথরসনু হায়না থৌনিখি হায়রি।

সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি ওফ মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল মীফম অমা ফমদুনা লৈখিদ্রবা হান্নগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা রিশাং কৈশিংনা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে অমদি লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উত্তুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা মপুগী মকায়দা ঈংনা-চীক্লা লৈরুনবা থৌনিখি লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন য়ুম্নাম মহেন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংগী মীফম অমা ওগষ্ট ২৬তা পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস) :

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলস মণিপুর অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট প্রাইভেট স্কুলস এসোসিএসন অনীনা চান্দেলদা লৈবা অনালোন খৃষ্টান ইন্সটিট্যুট চান্দেলগী কনফরেন্স হোলদা পুন্না ফমিন্নদুনা দি মণিপুর প্রাইভেট স্কুল (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ রেগ্যুলেসন) বিল, ২০১৭ অমসুং দি ঈ আই ঈ দি ট্রেনিং এন আই ও এসকী মখাদা চত্থগদৌরিবা অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনমিন্নখ্রে হায়রি।

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলস মণিপুরগী কনভিনর এল জয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীফম অদুনা দি মণিপুর প্রাইভেট স্কুল (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ রেগ্যুলেসন) বিল, ২০১৭গী সেক্সন খরদা রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিং নৌনা রেজিষ্ট্রেসন অমদি রিকগ্নিসন তৌবগী ৱাফম্বু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখি। গভর্ণমেন্টতা হান্না রিকগ্নাইজ তৌখ্রবা স্কুলশিং অমুক হন্না রেজিষ্ট্রেসন অমদি রিকগ্নাইজ তৌবগী প্রোসেস তৌবীদনবা হায়জবা হায়না য়ানখি।

হন্দক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা ইলিমেন্টরি টিচরশিংনা দি ঈ আই ঈ দি ট্রেনিং শোয়দনা তৌগদবনি হায়বসি অফবা খোঙথাংনি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা থা অসিগী ২৬তা খাঙবোক্তা লৈবা এম এম আর সী, য়ুনিটি পার্কতা মণিপুরদা লৈরিবা রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

নুমিৎ অসিদা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংগী মীহুৎশিংনা শোয়দনা শরুক য়াবীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

লৌমী লূপ পাৎশোই লোকলগী কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৌমী মরুপকী ২০শুবা পাইশোই লোকল কনফরেন্স ঙসি লাংজিং অচৌবদা পাঙথোকখ্রে।

জোনেল সেক্রেটরি লৌমী মরুপ নিংথৌজম নবকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কনফরেন্স অসিদা মমাঙ চহী ৩ লোমদা ওইখিবা পোলিটিকেল অমদি ওর্গনাইজেসনগী ওইবা রিপোর্ট নৈনবগা লোয়ননা ৱারেপ কয়া লৌদুনা লৈঙাক্তা তকশিন্নবা লেপ্লখ্রে।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি হৌজিক হৌজিক লৌমী মীয়াম্না ৱানরিবা হার ফংদবগী অৱাবা অসি কোকহন্দুনা লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদা মীয়ামদা হার ফংহন্নবা, ঈশিং ঈচাউনা মাঙহনখিবা মহৈ-মরোং অমদি ঙানচিংবগী মতিক চাবা কন্সেসন, অশেংবা ফংফম থোকপা লৌমী মীয়ামদা অথুবা মতমদা ফংহল্লু। লৌমীশিংনা পুথোকপা ফৌনচিংবা মরু-মরাং লৈঙাক্লা মতিক চাবা মমলদা লৈশিনহনবা অমসুং ফুদ সিক্যুরিটিগী চেঙ হৱাইশিং মীয়ামদা নীংথিনা ফংহল্লু হায়বা অসিনি।

কনভেন্সন অদুদা মীওই মাপন্না শাবা অনৌবা টার্মগী থৌ পুনবা লোকল কম্মিটি শেম্বগা লোয়ননা সিনাম লুখোইবু প্রসিদেন্ট, নিংথৌজম নবকুমারবু সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি। ২৩শুবা ষ্টেট কনফরেন্সদা শরুক য়ারুনবা দেলিগেট ১০সু খনখ্রে। লোকল কনফরেন্স অদুদা লৌমী মরুপকী ষ্টেট সেক্রেটরি থৌনাওজম শরত, মীয়াম পাউচেগী এদিটর সাইখোম জুগোল, ওল ইন্দিয়া কিষাণ কাউন্সীলগী মেম্বর য়ুম্নাম রতন, মণিপুর লৌমী মরুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট শরত সলামসু ৱা ঙাঙখি।

এক্স-এম পি রিশাং কৈশিংবু বুংপা খুল্লেন্দা লৈরোন চলহনখিদবা লাইবক থীবনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী শক্লাইরবা লূচিংবা ওইবতা নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমগী পোলিটিক্সতা অচৌবা ফিদা অমা মতম শাংনা কন্দুনা লৈরম্বা রিশাং কৈশিংনা লৈখিদবগী অৱাবা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্ন রিঙৈ চৈরক অসিদা লালহৌলূপ অমনা লৈখিদ্রবা অহল অসিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংবু মহাক্কী পোক্লফম লমদম কাংজোম দিষ্ট্রিক্টকী বুংপা খুলদা লৈরোন চনবা য়ারোই হায়না লালহৌলূপ অমনা অথিংবা থল্লকপা অসি মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইনা অঙকপা পোকই হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম এস সী সী পি আইগী দেপ্যুটি ষ্টেট সেক্রেটরি লাইশ্রম সোতিনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অসিগুম্বা থৌদৌ অসি মীওইবগী লীচৎ নত্তে অমসুং মীওই খূদিংমক্না য়ানিংফম থোক্তে।

সী পি আইগী মায়কৈদগী তশেংনা অরানবা অমদি তৌহৈদবা থবকনি হায়না হকচিন্না লৌই অমসুং কন্দেম তৌই। রিশাং কৈশিংনা পোলিটিকেলগী ওইবা হীরমদা য়ানদবা কয়ামরুম লৈরমদবা য়াই। মদু ফনা ওইদুনসু লৈখিদ্রবা লূচিংবা অসিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংবু মহাক্কী পোক্লফম খুলদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা অমদি লৈরোন চনবা য়ারোই হায়না থিংজিনবা অসিদি তৌফম থোক্তে হায়রি।

লায়ন্স ক্লবনা শীন্দুনা সেক্রেদ হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মোটিভেসন লেকচর অমা পাঙথোকখ্রে

LIONS CLUB OF IMPHAL EAST
LIONS CLUBS INTERNATIONAL DIST. 322D
PROJECT ON CENTENNIAL SERVICE CHALLENGE
ENGAG... HE YOUTH

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস) :

লায়ন্স ক্লব, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা সেন্টিনেল প্রোজেক্ট অমা এগেজ্ঞিং দি য়ুথ হায়বা টোপিক অসিদা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা সেক্রেদ হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

লায়ন্স ক্লব, ইম্ফালগী লায়ন টি ঐচ বিনারানিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লায়ন্স সেন্টিনেল প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা মোটিভেসনেল লেকচর অদুদা লায়ন ৱাই মোধু এসোসিয়েট প্রোফেসার পোলিটিকেল সাইন্স, মোইরাং কোলেজনা স্কুল অসিগী ক্লাস এলেবেল অমসুং টুৱেল্ভ তল্লিবা মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা তুংদা মখোয়গী ফীভম হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

লেকচর অসিনা মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা কান্নবা কয়া ফংহনখি হায়রি।

এ আর এক্স-সার্বিসমেন মিট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস) :

হেদক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী পল্লেলদা অসাম রাইফলস এক্স-সার্বিসমেন রেল্লি অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

রেল্লি অদুদা ভেটরানশিং, বির নারিশিং অমসুং অসাম রাইফলসকী ৱার ৱিদোশিং শরুক য়াখি। লোয়ননা লৈবাক অসিগীদমক্তা অখাকপা লৈতনা মথৌ পাঙথোকখিবা অদুবু শীংথারদুনা তরাম্না ওকখি। এ আরগী এক্স-সার্বিসমেন্ট রেল্লি অদুদা এক্স-সার্বিসমেন, বির নারি, ৱিদো অমসুং ইমুং-মনুংগী মীওই ৬৬না শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মীয়ামগা উনবদা তোঙান তোঙানবা পেন্সন এনোমেলিগী ৱাকৎ কয়া লাকখি। পান, আধারনচিংবা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগা মরী লৈনবশিংসু মতেং পাংখি। ভেটরানশিংগা বেঙ্কিংগী খুদোংচাবসু পাক শন্না ফংহনখি। শীজ অমসুং জিবন হোস্পিটালগী স্পেসলিষ্টশিংনা শীন্দুনা মেদিকেল কেম্প অমসুং পাঙথোকখি। মদুদা ঈ এন টি, গাইনি, মেদিকেল অমসুং দেন্টেলগী ওইবা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা স্পেসলিষ্টশিং অদুনা পীখি হায়রি।

অসাম রাইফলনা ভেটরানশিংদা পীবা য়াবা মতেং পূম্নমক পীগনি হায়না থাজবা পীখি। এক্স-সার্বিসমেন রেল্লি অসিদা মপুং ফানা শরুক য়াদুনা মখল মখা কয়াগী স্কিমশিংগী কান্নবা লৌহৌনবা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়না আই জি এ আর সাউথকী চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, হেদক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১১ এ আরনা শীন্দুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঐচ মোংজাং ভীলেজতা কঞ্জার্বেসন ওফ নেচর এন্দ নেচরেল রিসোর্ছ হায়বা হীরম অসিদা লেকচর অমা থা অসিগী ২২দা পাঙথোকখ্রে। লেকচর অদুগী মরুওইবা পান্দমদি মফম অসিদা খুন্দারিবা মীওইশিংদা মহৌশাগী ওইবা পোৎলমশিংগী মরুওইবা অদু খঙহনবগা লোয়ননা নেচরেল রিসোর্ছশিং অদু কন্নবা হোৎনবদা ৱাখল তাহনবনি।

থৌরম অদুদা ভীলেজর ২৭ রোম্না শরুক য়াখি। লেকচর মনুংদা ভীলেজরশিং অদুদা করম্না মীওইবগা মহৌশাগা পুন্না লৈমিন্নগনি হায়বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহৌশাগী ওইবা পোৎলমশিং অসিনা মীওইবদা পীরিবা কান্নবশিংগী মরমদা শুগাইনা ঙাঙখি। এ আরনা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা সিবিক এক্সন প্রোগ্রাম অসিনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা অপুনবগী শক্তম শাগৎপগা লোয়ননা পুন্না হিংমিন্ননবগী ৱাখল্লোন অদু শন্দোকপনি হায়রি।

পেনা লৈবাকমচানা লৈখিদববদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৪ (ঐচ এন এস) :

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি (জে এন এম দি এ) গী প্রদক্সন য়ুনিটতা পেনাগী ম্যুজিসিয়ন ওইনা থৌ পুরম্বা লাইশ্রম লৈবাকমচানা লৈখিদববদা ঙসি অয়ুক জে এন এম দি এগী প্রিয়োগোপালসনা ওদিটোরিয়মদা ভাইস চ্যেরমেন হিজম তোম্বী অমসুং দিরেক্টর এল উপেন্দ্রোনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

পেনাগী লমদা লমদম শাংনা লৈবাক্কী থৌগল তৌদুনা মতিক চারবা মচা-মনায় কয়া তুংলমচৎকীদমক পুথোক্লম্বা লাইশ্রম লৈবাকমচা কুমজা ২০০১গী ফেব্রুৱারী ১দা একাদেমি অসিগী প্রদক্সন য়ুনিটকী পেনা ম্যুজিসিয়ন ওইনা থবক্তা চঙখি। ম্যুজিসিয়ন অসিনা প্রদক্সন য়ুনিটতা লৈরিঙৈ মতমদা একাদেমি অসিনা পুথোকখিবা মমিং লৈরবা প্রদক্সন কয়া লোয়ননা অতৈ ফঙ্কসন কয়াদসু থৱায় হকচাং য়াওনা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়াখি।

লৈখিদ্রবা পেনা ম্যুজিসিয়ন অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা পেনাগী লমদা কথোকপগা লোয়ননা থম্বীরম্বা খুদোল কয়াবু শকখঙদুনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

এ আই আর ইম্ফালনসু এ গ্রেদ আর্টিষ্ট ওইনা এপ্রুভ তৌদুনা শকখঙখি। আর্টিষ্ট অসিনা লৈখিদবদা একাদেমি অসিগী ওজা-গুরু, ওফিস ষ্টাফ, প্রদক্সন য়ুনিট অমসুং মহৈরোয়শিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অসিনা লৈখিদবগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চীক্লা লৈরুনবগীদমক তাইবঙ শেম্বা মপুদা থৌনিখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা একাদেমি অসি ছুটি তঙ্খায় হায়না একাদেমি অসিগী দিরেক্টরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ত্রিপুরাদা প্লাষ্টিক্কী শঙ্গোম থেংনরে

অগরতালা, ওগষ্ট ২৪ (এজেন্সী): ত্রিপুরাদা প্লাষ্টিক্কী চেঙ থেংনদুনা মীয়াম্না খোইরাং খোইশাওনরিঙৈ চৈরক অসিদা ঙসি ষ্টেট অসিগী সাউথ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শঙ্গোমদা রবরগী লেটেক্স মানবা পোৎলমশিং থেংনরে হায়রি।

উদয়পুর মাষ্টরপরাদা লৈবা লিতান শর্ম্মা কৌবা মীওই অমনা রবর য়াওনা শঙ্গোম অদু থেংনরকখিবনি হায়রি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, চোক বজার এরিয়াদগী বসানা দেবনাথ কৌবা মীওই অমসু হায়রিবা শঙ্গোম অদু লৈরগা চারুবদগী মহাক্কী অঙাং নাদুনা লৈরি হায়রি। ঙরাং নুমিদাং মহাক্কী লোয়নবী শঙ্গোম অদু ফমহনবা মতমদা রবর মানবা পোৎলমশিং শঙ্গোমদা য়াওরম্বা থেংনখি।

বসানা দেবনাথনা শঙ্গোম য়োল্লিবা মীওই অদুদা অদুগুম্বা পোৎলমশিং য়াওরমই হায়না ফোঙদোক্লুবা মতমদা মহাক্তি পেক তৌদুনা সিল্ড তৌরবা শঙ্গোল য়োনবতনি, শঙ্গোম অদুদা করি য়াওরি হায়বদু মহাক্তি করিমক্তা খঙদে হায়রকখি। অদুমক পুলিসতা হীরম অসিগী মতাংদা খঙহল্লুবা মতমদা ফুদ দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং লাক্তুনা রবরগুম্বা পোৎলমগা য়ানশিন্নবা শঙ্গোম অদু লেবোরেটরিদা টেষ্ট তৌনবা থাখ্রে হায়রি।

J. N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
POROMPAT, IMPHAL

NOTIFICATION
Imphal, the 22nd August, 2017

No. 2/111/Open Tender/diet & dry ration/JNIMS/17 : Sealed tenders are invited from qualified bidders for supply of Diet and Dry Ration in, JNIMS Hospital. The qualifications, terms and conditions, instructions to the bidders, etc. may be seen in the tender document which can be downloaded from **www.manipurtenders.gov.in** and **www.jnims..in**.

Sd/-
Director, JNIMS, Manipur

HL-B/4087/25

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

ADMISSION NOTICE
Dated, the 24th August, 2017

No. MU/3-36/B.Ed/Aca/14/512 : In continuation of this Admission Notice No. 422 dated 04-08-2017, the last date of issue and submission of application forms for admission into B.Ed. programme has been extended upto 28th August, 2017.

Sd/- David K. Zote
Joint Registrar

HL-B/4088/25